# এস. তি.গী মতাংদা নৈনবিরিবা কংলৈচাশিংগী মফমদা

## (মীতৈ/মৈতৈবু নমদুনা এস. টি. ওন্থোক্লবা হোৎনবীগনু)

*কংলৈপাক হিস্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিসার্চ সেন্টর, কংলৈপাক্কী ৱারোল*

পাবীরিবা অদোম্না রনবীর সেনা নত্রগা আর: এস.এস. অমসুং হিন্দুশিংগা মরি থোক্লবা নৎত্রবদি, অইবনা মখাদা পীজরিবা ৱাফম খরসি মুননা খংবীবা মথৌ তাই।

"১১ জুলাই, ১৯৯৬ তা রনবীর সেনানা বিহারগী বাথানি তোলা খুঙ্গংদা লম লৈজদবা থবক শুবা মীওই ২১ পুল্লপ্ন া হাৎখি। খৃ: ২০১২ তা, পাতানা হাই কোর্টনা মীহাৎপা পুম্নমক অদু থাদোকখি। ১ দিসেম্বর, ১৯৯৭ দা, রনবীর সেনানা অমুকসু বিহারগী লক্ষমনপুর বাথে খুঙ্গংদা দালিৎ ৫৮ হাৎখি। ২০১০ গী এপ্রিলদা, ৱায়েনশংনা মীহাৎপা ২৬ অদু মীহাৎপগী চৈরাক পীবা য়াখি। ৱায়েনশংনা মীহাৎপা ১০ মপুনসিগী কৈশুমশংদা লৈবগী চৈরাক, ১৬ অমনা শিবগী চৈরাক পীখি। অদুবু ২০১৩ গী ওক্তোবর থাদা, পাতানা হায় কোর্টনা মীহাৎপা পুম্নমক থাদোকখি"

"১৯৬৮ দা, তামিল নাদুগী কীসভেনমনি খুঙ্গংদা, দালিৎ ৪৪ হিংনা মৈ থাদুনা হাৎখি।' ১৯৭৭ দা বিহারগী বেলচি খঙ্গংদা দলিৎ ১৪ হিংনা মৈ থাদুনা হাৎখি।"

"১৯৭৫ তা ৱেস বেঙ্গলগী সুন্দরবন উমং মনুংদা কম্যুনিষ্টনা পাল্লিঊেদা, বাংলাদেসতগী চেল্লকপা দালিৎ রিফ্যুজী চা কয়া হাৎখি"

মথক্তা অইবনা উৎচরিবা খরসি বি.আর. অমবেদকরনা ইবা "Annihilation of Caste" হায়বা লাইরিক অদুগী লামাই ১৪২ দগী লৌথোকচবনি। ইংলিসতগী মীতৈলোনদা হন্দোক্লগা পীজবনি। লাইরিক অসিগী লামাই অসিমক্তদা, মথক্কী খুদম অসিগুম্বা কয়া য়াওরি, খরদংতা উৎচবনি।

অমবেটকরনা মহাক্কী লাইরিকশিংদা সেদ্যুল ট্রাইব, সেদ্যুল কাস্ত অসিনচিংবা ভারতকী হিন্দুশিংনা হন্থনা লৌবা মীওই কাংলুপশিং অসিবু "Dalit and Subordinated Caste" হায়না ইরি।

মথক্তা উৎচরিবা অসি ইন্দিয়া (ভারত) হায়না খংনবা মফম অসিদা লৈবা, হিন্দু হায়রগা খংনবা মীওই কাংলুপ অদুগী খুননাইগী চৎনপথাপ 'আইন' Social Law নি। ইন্দিয়াগী কোনুং দিল্লিদা অৱাং নোংপোক লমগী মীওইশিংবু ইরাই লাইনা হাৎপা, AFSPA লৌথোকউ হায়না ইচম চম্না লাউদুনা দিল্লিগী লম্বীদা চৎপা খোংচৎতা, ABVP গী নহারোল কাংবুনা খুংউপ সেগাইবা, অহাংবা লিকলি, নুং নচিংবা লংশিন্দুনা খোংচৎ অসি থুগাইনবা হোৎনবদা অসামিস নুপী অমা থিনা শোকখিবা ঐখোয় নিংশিংলি। মথক্কী ৱাফমশিংশি মুননা খন্থবীয়ু।

**হৌজিক অইবনা মীতৈ এস.টি. ওল্লবদি করি থোক্কনি, করি ওইরক্কনি খননবদা শরুক য়াজগে-**

(১) হৌজিক হৌজিক কংলৈচা মীতৈ অমনা শিবগী পোৎলোইবগী থবক হৌরকপদা, মোংফম লৈনবা শেল পুথোক্লকউ হায়বনি। করি হায়রিবনো খংবীব্রা?

(২) হৌজিক হৌজিক, মীতৈলোন নিংথিনা খংদবা লাইশোন তিনশোন তৌবা কাংবুনি হায়বা মীওই খরনা, লাইশোন তিনশোন তৌবদা "লমহল্লো লমহল্লো", হায়বা ৱাহৈ ৱাতা য়াওরিবনি। করি হায়রিবনো খংবীব্রা?

অহানবগী ৱাফমদা মীতৈ/মৈতৈ অমা শিবদা, মোংফম লৈনবা শেল পুথোক্লকউ হায়রিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি, মণিপুর হায়বা লৈপাক অসি মীতৈ/মৈতৈগী লৈপাক নত্তে, নখোয়গী ফুমফমগী মৈ থাফমগী লম লৈরগা শিজিননৌ হায়বনি।

অনিশুবা অসিগী ৱাফমনা, হিন্দু বীসনুপ্রীয়ানা লৈপাক মণিপুর অসি মখোয়গী য়েলহৌঙৈগী লৈপাকনি, মীতৈ / মৈতৈ অসিদি ১৮ শুবা চহী চাদা মণিপুরদা লানদাদুনা মখোয়গী লৈপাক মণিপুরবু মুনখিবা, খুন্দাশিনখিবা কাংবুনি হায়রিবনি। মসিগা লোয়ননা লম অসিদগী হন্দোকখ্রো, চৎখ্রো ঐখোয়দা হন্দোক্লমলো হায়বনি।

Contd/-

**মথক্কী অসিগা লোয়ননা মখাগী অসি খংবীয়ু-**

(১) নিখিল বিসনুপ্রিয়া মণিপুরি মহাসাবা, অসাম হায়বা আসামদা লৈবা লুপ অমনা, ১৯৯২ দা ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টতা পীখৎখিবা ৱাকৎ অমদা মখাগী অসুম্না হায় -

"But the Bishnupriya Manipuries are the aborigines of Manipur ethinically, historically, culturally and on the basis of religion."

মথক্কী অসিগী ৱাহন্থোক্তি, "মীওই ফুরুপকী, পুৱারিগী ইনাৎকী অমদি লীচৎকী মিৎয়েংদা, মণিপুরি বিসনুপ্রিয়াশিং অসি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনি" হায়বনি।

(২) ১৯৯৭ গী সেপ্তেমবর থাদা The North East Age দা, "Bishnupriya, Meities on collision course" হায়বা আর্তিকল অমা জে. এল. চৌধুরি হায়বা অমনা ইরকই। আর্টিকল অদুদা মহাক্না অসুম্না ইরকই-

"The Bishnupriya are the natives of Manipur whose cultural identity and ethinicity are being tainted by the dominant Meitei Migrants who invaded the Valley in the 18th Century."

মথক্কী অসিগী ৱাহন্থোক্তি, "বিসনুপ্রিয়াশিং অসি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনি, অদুবু মী য়াল্লবা ১৮শুবা চহিচাদা লান্দাদুনা তম্পাক্কী লম অসি লৌশিনখিবা মৈতৈশিং অসিনা মখোয়গী মনাৎ অমসুং ঈ কাংলুপকী মওং মাংহনবীখ্রে।" অসুম তৌনা ১৮শুবা চহি চাদগী, মীতৈ লৈপাক কংলৈপাক অসিগী ৱায়েন থৌদা অসি ময়াংশিংনা পায়খিবদগী, অচুম্বা পুম্নমকপু মথক মখা ওন্থোক্তুনা, কংলৈচাশিংগী মনাৎ, লীচৎ, পুৱারি, থায়নগী ইপা ইপুশিংগী ৱারী লিখুন, চৎনপথাপ (Tradition and Folklore), পুয়াশিং মৈ থাখিবা, লৈপাক মমিং ওনখিবা অসিনচিংবা কয়া তৌদুনা হৌজিক্তি নম্থাক ময়াম্বু অচুম্বা ওলহল্লে।

**মখাগী ময়ামশি মুননা খংবিয়ু-**

১৮শুবা চহিচা ফাওবা চীংলৈপাক অসিগী মমিং কংলৈপাক কৌরমই। ঐখোয় পুম্নমক খংই। মহাভারতকি মণিপুরদি ওরিশাদা লৈ, মসিসু ঐখোয় মুননা খংই। অদুবু মীতৈ লৈপাক অসি হৌজিক মণিপুর ওইরি। Indian Constitution দা লৈপাক্কী মমিংসু মণিপুর কৌরি, অদুগা মীতৈলোনবুসু মণিপুরি কৌরি। Indian Constitution অসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা লৈপাক্কী চৎনপথাপ (Law আইন) নি। খ্বাইদগী ৱাংবা চৎনপথাপ (Law আইন) অসিদা মীতৈ হায়বা মীতৈলোন হায়বা য়াওদে।

মণিপুরদা লৈবা তাংখুল, তাংখুল অদুম হায়রি, মখোয়গী লোন তাংখুললোন অদুম হায়রি। কবুই কাংবু, কবুই অদুম হায়রি, লোনশু কবুইলোন অদুম হায়রি। মণিপুরদা লৈরিবা মীওই কাংবু পুম্নমক, মখোয় মখোয়গী কাংবুশিং, লোনগী মিং ঙসি ফাওবা অদুম কন্দুনা লৈরি। অদুবু মীতৈ/মৈতৈ দি মখোয়গী কাংবুগী মিং মণিপুরী ওনখ্রে, মখোয়গী লোনগী মমিং মণিপুরি ওনখ্রে। হৌজিক হৌজিক তশেংনা (Law আইন) গী মতুংইননা হায়বা তারবদি মণিপুর কৌবা লৈপাক State অসিদা মীতৈ/ মৈতৈ হায়বা মীওই কাংবু / ফুরুপ অমত্তা লৈতে।

ঐখোয় মীতৈগী লৈপাক কংলৈপাক অসি ১৮শুবা চহিচাদা মণিপুর ওন্থোকখ্রবা মতমদগী ঙসি ফাওবা, চীং লৈপাক অসি মহাভারতকী মণিপুরনি, মসিদা লৈরিবা য়েলহৌমি মীতৈবুনা মহাভারত হেরো আর্জুনগী মচা মশুনি, মমানা চিত্রংগদাগী মচা মশুনি হায়রিবনি। ১৮শুবা চহিচাদগী হিন্দুশিংনা হায়জিল্লকপা, শেমজিল্লকপা অসিবু ইন্দিয়া হিন্দু মীয়ামনা, ভারত সরকারনা য়াদুনা Indian Constitution দা চিংলৈপাক অসিগী মমিংনা মণিপুর, মখোয়গী লোনবুসু মণিপুরি হায়না হাপখ্রবনি। মসি লৌথোকপা অমসুং শেমদোকপা য়াগদ্রা? সুকয়া য়াররোই, Indian Constitution হায়বসি ভারতকী মীয়াম্না য়াদুনা শেমখিবনি। মণিপুরগী মীওই মীতৈ / মৈতৈ লাখ ২০ দগী তাবনা হায়বদা ভারত মীয়াম্না তাবীগদ্রা, Indian Parliament না তাবীগদ্রা? 'মণিপুর' 'মণিপুরী' হায়বা ৱাহৈশিং অসি সংসকৃত (হিন্দু) ৱাহৈশিংনি, মণিপুর কৌবা লৈপাক হিন্দুশিংগীনি, মণিপুরি লোনবা মীওই কাংলুপ, মশানা হিন্দু ওইফম থোকপনি। মসিদা অইবনা হায়জরিবসি চৎনপথাপ (Law আইন) গী ৱাহৈশিংনি, Legal Interpretation নি।

মণিপুর, মণিপুরি হায়বা ৱাহৈশিং অসিনা উৎলিবা, তাক্লিবদি Law অমসুং আইনগী মতুংইননা হিন্দুগী লৈপাকনি, লৈপাকগী মীওইশিংনা সংসকৃত ঙাংবা, সংসকৃতগী হৌরকপা লোনশিং ঙাংবা মীওইশিংনি। পুৱারি (History) গী মতুংইননা হায়বা তারবদি, বিসনুপ্রিয়াশিংনা ১৯৯২ দা ইন্দিয়া গর্ভনমেন্টতা ৱাকৎপদা হায়রিবা "Bishnupriya Manipuries are aborigines of Manipur ethinically, Historically, Culturally and on the basis of religion" অদু ওইরিবনি। পুৱারিগী মতমদা হায়রবদা ঙসি ফাওবদা (২০১৬ দা) চহি ৩০০ হেল্লবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদি পুম্নমকশি চেদা লৈবদৌনা তৌরি।

Contd/-

অদুবু মীতৈ/মৈতৈশিংনা Scheduled Tribe ওল্লবা, ইন্দিয়াগী Constitution দা S.T. List তা হাপচিনখ্রবা, হাপখিবা নুমিৎ অদুদগী বিসনুপ্রিয়াশিং (হিন্দু) শিংনা হায়জিল্লবা "Bishnupriya are the natives of Manipur whose cultural identity and ethinicity are being tainted by the dominant Meitei migrants who invaded the valley in the 18th Century. Mr. Sinha says the ethinic Vaishnavite culture has gradually given way to the culture of the Immigrant Tribals." অসি পুৱারি গী মতুং ইননা, লৈপাক্কী চৎনপথাপ (Law আইন) গী মতুংইননা পুংচুম চুমখ্রনি। হৌজিক মণিপুরগী মীশিং তংখাই অমা হেনজিল্লকলবা ময়াং, হিন্দু, বিসনুপ্রিয়াশিং অসিনা মণিপুরগী মপু ওইখ্রগনি। মীতৈ / মৈতৈ ত্রিপুরাদা য়েলহৌমিনা ওইরিবা ফিভম অসি চহি ২০ মুক্কী মতুংদা ওইরনি। ইননর লাইন পার্মিত সিসতেমসু পীদবা য়ানা লৈরি, চহি খরা অসিদা ময়াং হেননা থাজিল্লক্কনি। মতম অদুদা মীতৈ / মৈতৈসু ভারততা দলিৎশিংনা তারিবা অৱাফম অসি শোয়দনা তারগনি।

মপা মপুগী লৈপাক, লীচৎ, লন- থুম অসিনচিংবা কনবা ঙমদবা মীতৈ / মৈতৈ মণিপুরগী ৱাংমদগী লাকপা Schedule Tribe, ওইদুনা, মীনাই ওইনা লেনবা তাই, শিবা তাই।

চৎলিবা মে ২২, ২০১৬ দা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শংলেনদা মীতৈ/মৈতৈ কংলৈচা কাংবুবু Constitution গী S.T. List তা য়াওহননবগী মীফম অমা S.T. Demand Committe না শিন্দুনা খনন নৈনবা মীফম অমা পাংথোকখ্রে, ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে। মীফম অদুদা য়েনথোকপা লমাই ৪ পানবা, S.T. Demand Committe গী ৱাখল্লোন ফোংদোকপা পাওচেল / পাওতাক চে অমসু ফংজরে। পাওতাক চে অসিগী মতাংদা মরুওইবা ৱাখল্লোন অমতং অনিদং নৈনজরি।

S.T. Demand Committee না, পাউতাক চেচাই চে অদুদা উৎপগী মতুং ইননা, ট্রাইব হায়বগা, সেদ্যুল ত্রাইব হায়বগা খেননবা ৱাহন্থোক নিংথিনা খংদবগুম তৌই। মীতৈ / মৈতৈদি য়েলহৌঙদগী ত্রাইব ওইদুনা লাকই, মীতৈ / মৈতৈনা সেদ্যুইল ত্রাইবতা য়াওগদবনি হায়না য়েৎপগুম তৌই। মসি অরানবা ৱাখল্লোননি। Constitution গী Article 340 (I) দা ভারতকী প্রসিদেন্টনা ভারতকী মীয়াম মরক্তা "Backward Classes" নত্রগা "Socially and Educationally backward classes" হায়বদি য়াম্না হন্থরবা মীওই কাংবু ওইরবা, মখোয়গী অশেংবা ফীভমশিং খংনবা, থিগৎনবা Commission অমা শেমগনি। প্রসিদেন্টনা শেমলবা Commission অসিনা মীওই কাংবু অদুগী ফীভমশিংগী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা থিগৎকনি।

Constitution গী Article 342 (I) দা ভারতকী প্রসিদেন্টনা Commission অদুগী রিপোর্ট মতুং ইননা ষ্টেট অমদা করম্না মীওই কাংলুপপু Schedule Tribe ওইহনগদগে হায়বদু লেপকনি। মতৌ অসুম্না মণিপুরগীসু মীতৈ/মৈতৈবু Schedule Tribe তা ওনগদ্রা, ওল্লোইদ্রা হায়বদু লেপকদবনি, হাননা ত্রাইব ওইরকই, ওইরক্তে হায়বদুনা লেপকদবা নত্তে। Constitution গী Schedule হায়বা ৱাহৈদুগী ৱাহন্থোক খংনবা হোৎনবীয়ু।

কংলৈপাক মণিপুরগী মীয়াম, ভারতকী মীয়ামগা চাংদম্নবদা, ঐখোয় কংলৈচাগী ফীভমনা য়াম্না ফবা হেল্লি। ঐখোয়গী অৱাবদি, মীনম চাবা কাংবু অমনা ঐখোয়গী লৈপাক, লনথুম অসিনচিংবা মুননবা হোৎনরকপদগী ঐখোয় অৱাফমদা তারকপনি।

S.T Demand Committee অদুগী চেজাইদা লামাই ৩ দা য়াওরিবা S.T. খননবগী পান্দম ৫ খক পিরিবা অদুগী অমতসু মীতৈ/মৈতৈ দা পানশিনদুনা S.T. ওননবগী মরম ওইবা য়ারোই।

ঐখোয় কংলৈ মীতৈগী চৎনবী লোনচৎ অসি ভারতকী লৈরিবা মীয়ামগী অদুদগী হেননা ফৈ, ঐখোয়গী চৎনবীগী, লোনচৎতা মীবু হন্থনা য়েংবা, মীওই কাংলুপ অদু মাংই শেংই তৌবা (Untouchability) লৈতে। শেল থুমগী ফিভমদা য়েংলবসু ঐখোয়গী লমদা চাক্লিবা Beggar লৈতে। ঐখোয়গী লমদা লমহাং তুহাংদা নুপা নুপী অহাংবদা লমহাংদা মফি তাখৎলগা মাংবা (Open defecation) লৈতে। ঐখোয় কংলৈচা পুম্নমক য়ুম কৈ লৈ। ইংখোল মরাং কাইনা লৈ। কদাইদা ঐখোয় লাইররিবা। মহৈ মশিং হৈবগী মতাংদা হায়বা তারবসু, ভারত ষ্টেট ৩০ হেননা লৈবগী মনুংদগী Healthcare Living Legend (২৫) কুনমঙা খনবদা মণিপুরগী ডাক্তর পালিন য়াওই। ভারতকী ষ্টেট কয়ামুক ঐখোয়দগী হন্থরি। ঐখোয় কংলৈপাক মণিপুর ভারতকী Sport Power House নি। খরদং হায়জবনি, য়াম্না লৈরি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা কংলৈপাক (মণিপুর) গী ৱায়েন- থৌদা মীতৈ / মৈতৈ না পায়রি।

পংহাই হায়জিল্লগা মীতৈ / মৈতৈ মুৎখিনবা থৌরাংদা Schedule Tribe ওইফম থোক্তে।